ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ১৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২৩০ শুবা মশীং

অঙাংগী নুমিৎ থৌরম

অচংবা মী অমমম ওইহন্নবা ৱাখল্লোন পীবগী তঙাইফদবা লৈ

অঙাংশিং ঙাকপী শেনবীবগী ৱাখল পরিংদা ইন্টরনেসনল দে ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইট হায়দুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমদা কুমজা ১৯৫০গী জুন ১দগী অঙাংগী নুমিৎ (চিলদ্রেন্স দে) থৌরম পাঙথোকপা হৌখি। কুমজা ১৯৪৯দা ৱিমেন’স ইন্টরনেসনল দিমোক্রেটিক ফেদরেসন হায়দুনা মোস্কোদা লিংখৎখিবা নুপীগী ওর্গেনাইজেসন অসিনা চহী অসিগী নবেম্বর ২০দা য়ুনিভর্সেল চিলদ্রেন্স হোলিদে ওইনা লাউথোক্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সদা রিকমেন্দেসন থারম্মী। মদুগী মতুং ইন্না চহী খুদিংগী নবেম্বর ২০দা য়ুনিভর্সেল চিলদ্রেন দেগী থৌরম পাঙথোক্কুনা লাক্লি। হৌজিক্তি অঙাংগী নুমিৎ থৌরম অসি ইন্দিয়াদসু পাক শন্না পাঙথোক্লরি। ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা থৌরমগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক কুমওন থৌরম ওইবদগীনি। পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু কুমজা ১৮৮৯গী নবেম্বর ১৪দা এলাহাবাদতা মীয়াম্না শকখঙ মায়খঙনরবা উকিল মোটিলাল নেহরুগী মচানুপা ওইনা ফংজখি। মহাক্না অঙাংশিংবু লুনা-চান্না তৌবা অমসুং লৈবাক অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবনি হায়বা ৱাখল্লোন পরিং অসিদা শাগৎতুনা অঙাংশিংবু অহেনবা মিৎয়েং থমগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন পীবা হৌরকপদগী মহাক্কী মপোক নুমিৎ নবেম্বর ১৪বু অঙাংগী নুমিৎ থৌরম হায়না পাঙথোক্কনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না ফোঙদোক্লবা লৈরি। থৌরম অসি লৈবাক অসিদা কোংগ্রেসনা মরা তানা লৈঙাক পায়রিঙৈদা মঙাল নাইনা পাঙথোক্লম্মী। লৈবাক অসিগী স্কুলশিংদা অঙাংশিংবু অখন্ননা পীজ-পীথক তৌবা অমসুং অঙাংশিংগী এক্টিভিটি উৎহন্দুনা অথোই-অহেন তান্নবনচিংবনা থৌরম অসিগী মপূং ওইবা শক্তম ওইরম্মী। নেহরুনা অঙাংশিংবু লুনা তৌবিবদু উরগা অঙাংশিংনসু মঙোন্দা চাচা নেহরু হায়দুনা মীং কৌই। মঙোন্দা অঙাংবা অটরগুলাপ পীবদু ফাওবা মহাক্না লিৎলিবা কোটতা থেৎলম্মী। অসুম্না লৈবাক অসিগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টরগা অঙাংশিংগগী মরক্তা নুংশিনবা মরী শাগৎতুনা অঙাংশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপগী চৎনবী অসি মহাক্কী মতমদগী হৌদোক্লম্বনি হায়না লৌবা য়াই। হৌজিক্তি লৈবাক অসিদা চিলদ্রেন দেগী ঈহৌ অসি খঙতপ তপথবদৌনা তৌরে। অদুবু থৌরম অসি পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুগী মপোক কুমওন নুমিৎ নৎত্রগসু তঙাইফদবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকপগী কান্নবা লৈগনি হায়বসি অখঙ অহৈ পূন্নমক্না ফোঙদোক্লরবা ৱাফমনি।

হৌরক্লিবা অঙাংশিং অসি খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবনি। অঙাংশিংবু অফবা মী ওইহন্ননবা অমসুং তুংগী মীরোলগী অচঙবা য়ূম্বী ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী পান্দমনি। তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী অঙাংশিং হৌজিকসু মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফংদবা মফম কয়া অমা লৈ। লৈবাক অসিদা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট (আর টি ঈ) চৎনরবসু শুংশোয় শোয়দনা অঙাংশিং লাইরিক তমহনগদবনি হায়বা থৌরাং মহয় য়ালহনবা ঙমদ্রি। অদুবু লৈঙাক অসিনদি মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবা, লাইরিক-লাইশু নিংথিনা তমহন্নবা অখন্নবা মিৎয়েং চঙদুনা লৈরি। থৌরাংশিং অসিগী মখাদা স্কুল তল্লিবা অঙাংশিংবু স্কুলদা মিদ-দে-মিল পীজবা, রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টকী মখাদা মখোয়দা লেম্না লাইরিক, বোয়, কলম ফংহনবা, মসিগীসু মথক্তা লাইরিক খাও অমসুং য়ুনিফোর্ম ফাওবা পীবগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং লৈরি। সোসিএল ৱেলফ্যেরগী মখাদা পায়খৎপা ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংবু অঙ্গনৱাদি সেন্তরদা থাদুনা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা অমসুং অঙাংশিংবু মহৈ-মশীন তম্বীবা হৌনবগী প্রোগ্রাম কয়ামরুমসু পাঙথোক্কুনা লৈরি। অঙাংখক্তা নত্তনা অঙাং উনগদৌরিবী মমা অমসুং খোমজিংলিবী মমাশিংদা ফাওবা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবা অঙ্গনৱাদি সেন্তরশিংদা থৌদাং পীরি। অঙাংগী নুমিৎ থৌরম অসি হৌজিকসু তঙাইফদবা অমা ওইনা পাঙথোক্কবা য়াদ্রি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মালেমগী ওইনা অঙাং ১০০গী মনুংদা ৬০ রোমতমক মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা ঙল্লি। অতোপ্পা লেমহৌরিবা ৪০ অদুদি মহৈ তমহনবা ঙমদবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজদবনা লমখাংদা লৈহৌবগী ফীভমদা লৈরে। খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা অঙাংশিংবু অচঙবা মী অমমম ওইহন্নবা ৱাখল্লোন পীবগী তঙাইফদবা হৌজিকসু লৈরি। মরম অদুনা অঙাংশিংবু মতমগা চুনরবা মহৈ-মশীনগী কাঙলোন ফংহন্নবা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা পাউজেল পীবগী তঙাইফদবসু লৈরি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, অঙাংগী নুমিৎ থৌরম লাকপসিগা ইরোইননা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা অঙাংশিংগী য়াইফননবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অমসুং পায়খৎলিবা স্কিমশিং মায় পাক্লিব্রা, ফিল্ডদা নৎত্রগা অঙাংশিংদা হকথেংননা ফংহনবা ঙল্লিব্রা হায়বা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি। লৈঙাক্না অঙাংশিংগীনি হায়দুনা পীরিবা কান্নবা পোৎলম কয়ামরুম লমখাংদা মাঙহনবগী থৌদোক লৈবাক অসিদা লৈরি। মসিনা খুন্নাই অসিগী য়াংলেন শরূ ওইগদৌরিবা অঙাংশিং লমখাংদা মাঙহন্ননবগী মচাক অমা ওইরি। মরম অদুনা সোসিএল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অঙাংশিংগা মরী লৈনবা স্কিমশিং মপূং ফানা থবক তৌরিব্রা হায়বা মিৎয়েং চঙহন্নীংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

এদ্যুকেসন (এস) গী এদহোক থৌমীশিংগী মরায়বক

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর

দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা লৈরম্বা এদহোক থৌমীশিং, এদ্যুকেসনগী য়াওদনা অতৈ লোইনমক মমাঙগী লৈঙাক্না কুমজা ২০১৩দা রিগ্যুলর তাহনবীখ্রে। লৈহৌরিবা লোইশঙ অসিগী থৌমীশিং অসি চহী ২০ লোম অমসুং অহেনবশিংনি। থবক্তগী পোত্থাবগী মতম য়ৌদুনা থবক লোইজখিবা ফাওবা য়াওখ্রবনি মতোমতা। মতম কুইরবগী তুংদা লৈঙাক্নসু ওফিসকী রেকোর্দ (চে-চাং) কী মতুং ইন্না এদহোক থৌমীশিংগী অৱাবা খঙবীদুনা লৈঙাক্কা কেবিনেটতা পাস তৌবিদুনা থৌমী ৫০২ রিগ্যুলর তাহন্নবা স্পিসিয়েল দি পি সী অমা হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকপীখ্রে, মশা-মশা য়াওনা। দিপার্টমেন্টনা পীবা এটেষ্টটেসন ফোর্ম মেনশিল্লগা থাজিনখ্রবনি, মশীং য়াম্বসু নত্তে। মসিদি অনৌবা থবক লৌবসু নত্তে। রিগ্যুলরাইজেসনগী লোইশিনবীদবনা তলবসু অসুক কুইনা পীবিদ্রে। কাদবদি য়াদবনিনা ওফিসতা লৈজরিবা ঐখোয়দি ইকায়জরে, মীওইবা কৌবনিনা। পাউচেদা উজবদা-তাজবদা হন্দক্কী ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক অসি শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা থবক থৌরম কয়া অমা অফবা মায়কৈদা খুমাঙ চাউশিনবা তাজরি। এদ্যুকেসনগী ওইনসু হন্দক্তা রিক্কিজিৎ ওজা ১৭৮৬গী অৱাবদি কোকহনবীখ্রে। এদহোক্তা লৈজরিবা ঐখোয়সু অসুক কুইরবা মতমসি ৱানা নোংমদি নাখৈ শেংবীরক্তুনা অৱাবা কোক্লকনি খন্না ঙাইজরি। মরম অসিনা মতম কুইরবগী তুংদা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা পাস তৌরগা পাঙথোকপীখ্রবা এদ্যুকেসন (এস) গী এদহোক থৌমীশিংগী স্পিসিয়েল দি পি সী অসি ইকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মীনুংশিগা লোয়ননা হায়দোকহনবীদুনা ৱানা ঙাইজরিবা ঐখোয়বু রিগ্যুলর এপোইন্টমেন্ট থোকহনবীদুনা তং-তাবা ফীভম অমদা অথুবা মতমদা থম্বীয়ু হায়না নোল্লুকচরি। তাইবঙ শেম্বা মপূনসু অফবা থবক-থৌরম পাঙথোকপা লৈঙাক অসি মতম শাংনা লৈহনবীনবা ঐখোয়নসু থৌনিজরি।

অদোমগী - এ কিরনমালা দেবী (ক্রাফ্ট), জোন-২
পি রঞ্জনা দেবী (ক্রাফ্ট), জোন -২

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬০

১। মখাগী ৱাহৈ পূংবা অনী অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) খামীক-খানাক (খ) লোইন-খমইন।
২। ১৯৫১দা লমচৎ কোম্লবা পুন্সিদা য়ূম্ফম ওইবা অনৌবা মখলগী নোভেল অমা খুমন্থেম ইবোহলনা পুথোক্লকই। নোভেল অদুগী মমিং করি কৌই?
৩। ১৯৮৯দনা মীওইবগী লমচৎকী অশোনবা ফীভম য়েকপা ‘অমৃত’ কৌবা নোভেল অমা থোক্লকই। অইবদু কনানো?
৪। ‘রাধা’ উপন্যাস ফোঙদুনা থোইবী দেবী অহানবা নুপী উপন্যাসকার ওইবা ঙমখি। করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?
৫। লাইরিক ওইনা ফোঙবদা ‘গ্রেত ৱার’ হায়বা অসিনা ঐখোয়গী ইহান হানবা লমকোয় ৱারীনি পানরি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

প্লাষ্টিক থিংবগী খোঙজং

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৬৩

জিতেন নামৈরাকপম

নহান নোংমা কেথোলিক স্কুল কাঞ্চিপুর ফাওরগা চৎলিবা আই ভি রোদ ফাওরগা ইন্দো বর্ম্মা রোদ তাবা লম্বী, এম য়ুগী ৱালগা নেসনল হায়ৱেগা হেক তায়নফম ওইরিবা লম্বীগী মতাই ৱালগা তাইননা লৈরিবা মচিন অদু য়ৌরকপদা ওন্থোক্না নমথিখ্রবা মনম অমা ‘ৱং’ লাউনা ফাওরকই। ৱা ঙাঙগে হায়দুনা য়া কাথোক্লম্বদা মনম চবুন চখোম অমা মনুং য়ৌনা চঙখিগুমসু তৌই! অস! ওগে তৌই। নমথিমন্দনা ঙাউগে তৌরক্লবা কোক অসি খূৎ ওইনা পায়রগা টু হ্বিলরদু থৌনা থৌনা খ্বাইদগী তুক্কৎচরবা লোক ২/৩ লক চিংখৎতুনা নমশিৎ শিৎচল্লম্লগা মফমদু লান্থোক্লে। উরকখি য়েন ব্রোইলর শেম্বগী মচুম ময়াম অমা তেরা মোম্পাক শেগায়বদৌনা মফমদু অঙৌবা মতু ঙাক্তনা কোয়চায় চায়না শন্দোক্না তাবগী মথক্তা ঙা, য়েন শেমখিবগী মথিবোং-মরীল হুইনা খরা চেনখি, উচেক-ৱায়া, শা-ঙা, তীল-কাঙশিংনা চিংথোকখিবগী মতৎ-মতৎ, মকোক শরূ শয়াংনা ৱায় চায়রে। পূন্নম নমফম এরিয়া অমা ওইরকপা মফম ওইরকপসি ঙসি ঙরাংদগী ৱা নত্তবিদা কুইরে। এম য়ু মেইন গেটকী অৱাংথংবদা ৱালগী লম্বী থেংনফম অসি নো মেন্স লেন্দদৌনা মপূ পান্দবা মফমগুম চিকন সেন্তর তৌরিবশিংনা অমদি শা-ঙা দ্রেস তৌরগা য়োনবশিংনা খোমজিন্দুনা পুরকপা শা-ঙা, হুই, ঙানু, য়েন ময়ামগী অপূম অশাশিং হৈদোকফম হুন্দোকফম ওইরকপা অসি ঙসিদগী চহী ১০গী মমাঙদগী ওইগনি খল্লি। মপূসু পান্দবা মফমগুম ফাবিনবা মী কনাসু লৈতে। মী লৈবা মফমগা ওইরে মীরক নারক য়েংলগা খাউদা হাঞ্জিল্লক্তুনা পুরক্লগা লংশেক্লম্বা ওইফম থোকই। পাউচেদা করিদা অমুক্তং ৱাকৎলকপা কনাসু থেংনখিদে। লম্বী অদু ফাওদুনা চৎপা মীওইশিংনা মফম অদু লান্থোকপা মতমদা জগৎকী অপূম অশাগী মনম অদু শ্বর চিংল্লুবা নৎত্রগা য়ানুংদা উমশিনখিবা মতমদতা মশাদগী চিংথোরকপা ফৎতবা লোক-তিন নমশিন-শিৎল্লম্লগা, অরৈবা শাপ ময়াম হৈথরম্লগা চৎখিবা নত্তনা করিসু উপায় লৈতে। চাং নাইনা অপূম অশা হুন্দোক্লিবা মীওইশিংদুতনা খঙলমগনি। মীওইবা কৌবনিনা মখোয়সু মফমদু য়ৌরকপা মতমদা মনাতোন শোয়দনা মেনশিল্লমগনি। শ্বর থিংলপ তৌরগা লংশেক্লম্লগা গাড়ী কন্না থৌদুনা চৎখিবা শোয়দনা ওইরমগনি। মীয়াম কুংনা চৎনরিবা, ফাওদোক ফাওজিন তৌনরিবা মফম ওইবনিনা নখোয়না ফত্তবশিং হুন্দোক্তবা মতমদা মীয়ামদা অৱাবা পীরোইদৌরিবনি অমক্তং খঙবীয়ু কৈদৌবগে মহাশয়শা। তাবিগদৌরিব্রা, তাবিরোইদৌরিব্রা, অসুম্না অমুক্তং হায়নীংবসিদি কুইরক্লবনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুর হৌজিক্তি সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরিবসিগী মেইন গেট অসিদি অয়াম্বা মতমদা অইবগী চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা মফম অমনি। মেইন গেটকী হেক মায়োক্নুনা লম্বীগী চিদাইদা খোঙউপ শেল্লিবা মুচি অনী অদু অইবগা মুন্না খঙনজে। অমনা প্রবিন কৌবনি অমনা দিপক কৌবনি। বিহারী ঙাক্তনি। য়ুভির্সিটিগী মমাঙ থংবা শরুকশিং অসি হোম গার্দশিংনা মতম চুপ্না শেন্নদুনা ত্রাফিক কন্ট্রোল তৌবগী মথক্তা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংসু মতম চূপ্পা দ্যুটি তৌরিবা মফম অমনি। নোংমা নুংথিল অমা মুচি প্রবিনগীদা ফমদুনা ঐগী খোঙউপ কাপ থারি, ইচাশিংগী অতৎ অরাক অমনি ফোৎহল্লিঙৈদা খঙহৌদনা নুপামচা অমা এক্টিভা অমা খাল্লগা করিনো প্লাষ্টিক খাউ অমুবা ময়োম অমা লৌথোরক্লগা সরক্কী মমাঙ থংবা শরুক পান দুকান, লৈয়োনবী পরেং লৈরিবদুগী মনিং ওইবা নাপীগা খরা হৌবা মফম অদুদা খাউদু লংশেকখি। খাউদু হেক তাখিবগা অপূম অশাগী মনম অমুক ৱং লাকখি। অদুদা লৈরিবা মীশিংদু নমথিদবা অমত্তা য়াওদ্রে। নোংমৈ পায়বা নুলিসসু লেপ্তুনা দ্যুটি তৌরিবা মফমনি। সেক্যুরিটিদুনা খঙলাউ লাউই। ঐখোয়সু লাউই নুপামচাদু খূৎলৈ থুনা এক্টিভাদু থৌদুনা চেনখ্রে। তান্নবা ফংদ্রে। জাৎ জাৎনি। মী তিল্লিঙৈ তাল্লক্তা অপূম অশা পুরক্লগা হুন্দোক্লম্লগা চেনখিবা ঙম্বা মীওইসু অদুম থোরকখি। দশানা মুচি প্রবিন্দা তাহৌরে। সেক্যুরিটিদুনা হায়বদগী চৈ অমনা কোৎহল্লগা মফম চাবা অমদা হুন্দোক্লুচো হায়বদগী মহাক্না অদুমক তৌখ্রে। অসুক চাওখৎলে হায়নরিবা মফমসিদা জাৎ জাৎকী মীসু অদুম্মক থোরকই।

নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্না কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ২ মহাত্মা গান্ধগী মপোক নুমিত্তগী হৌনা ‘স্বাছ ভারত অভিয়ান’ লোঞ্চ তৌবা হৌখিবনি। ইন্দিয়া শিনবা থুংনা লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমনি। য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা রুরল এরিয়াদা লূ-হেন্না লৈনবগী পান্দমদা সেন্ত্রেল রুরল সেনিটেসন প্রোগ্রাম কুমজা ১৯৮৬তা হৌদোকখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা কুমজা ১৯৯৯দা টোটেল সেনিটেসন কেম্পেইন চথুরক্লবা মতুং কুমজা ২০১২দা ‘নির্মল ভারত অভিয়ান’ গী থৌরম থৌশিল খোঙজেল য়াঙশিনখি। মদুগী মতুং তারকপদনি স্বাছ ভারত অভিয়াননা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবসি। সহর খুঙ্গং চীংয়া তময়াদা লৈরিবা মীওইবনা খুন্দাবা মফম খুদিংমক তরু তরু, শিৎ-নান্না থমগদবনি, মীওইবগী ৱাখল নুংঙাইনা, হকচাং নান্না থমদুনা লৈগদবনি, লম্মাং তুহাংদা খোঙ হাম্বা হায়বদু কুমজা ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈহল্লোই। অৱাবা হায়বদু মুখৎলগনি হায়বগী থৌরাংনি পায়খৎলিবসি। থৌরম অসি মীয়াম্না থাগৎনবদা নত্তে ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মখূৎনা শুমজিৎ পায়দুনা ৱায় শিৎপগী মতৌ লৌদুনা য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, চীফ মিনিষ্টর, মন্ত্রি, এম এল এ, ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং খাক্তনা ৱায় শিৎপগী থবক চথুখি। ফত্ত-হৌদিশিং খোমদোকপা, পূনশিন্দুনা মৈ থাদোকপা, মাঙহনখিবা, রিসাইক্লিং তৌবা, দোমেষ্টিক ৱেষ্ট, ইন্দষ্ট্রিয়েল ৱেষ্ট, রেবিও এক্টিভ ৱেষ্ট, কম্মর্সিয়েল ৱেষ্ট, সোলিদ ৱেষ্ট, লিক্বিদ ৱেষ্ট, গেওসিওস ৱেষ্ট, বাইওদিগ্রেদেবল ৱেষ্ট, নন-বাইওদিগ্রেদেবল ৱেষ্ট ময়ামসি নীয়ম চুম্না মাঙহনখিবগী অমদি লৌশিনবগী পান্দমসু থল্লি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অরু-অনান তান্নবগী, অথোয় অহেন তান্নবগী খোঙথাংদা ঐখোয়গী মণিপুরদসু মদুগী মমি ফজনা তাখিবনি। মীয়াম্না শকখঙনরবা অতাঙ অতাঙবা কার তোংবশিং, সেক্যুরিটিনা চয়োম্নরবশিং, মীনাই মীশলতনা চয়োম্নরবশিং, মশা নানবশিং, নোংঙাল্লকপদা স্কোটস হ্বিস্কিগী স্প্রিরিট মনম চেনবশিংসু স্বাছ অভিয়ান ভারতকী লিচিং মখাদা মখূৎনা শুমজিৎ শিৎখিবা উবদা নরেন্দ্র মোদিসি অচৌ অশাংশিংসু ৱায় শিৎপা ওইহনবা ঙম্মী খনখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি কৈদৌরে। হান্না হান্নগী হামুদা তারক্লে। খ্বাইরম্বন্দ বজারগী মফমশিং ফনা শিৎ শেংলবসু মনম মহাদি অদুমক ইনমতা নমথীরি। পোৎ চৈ মফম চাদনা হুন্দোক্লম্বা অদুমক থেংনরি। শিংজমৈ, লমলোং, তেরা, লম্ফেল, ক্বাকৈথেল পূন্নমক অদুম পূন্নমক নল্লি। মাহুদকী মিনিষ্টরনা খ্বাইরম্বন্দ বজার মনুংদা চেজেৎ অমফাও তাহনবা য়ারোই হায়রম্বদু হৌজিক ফজনা অমুক তাবা হৌরে। ইশা য়াওনা ঐখোয় পূন্নমক ইঙাও ঙাওমিন্নরি। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না লুরক্লিবসি প্লাষ্টিক্কী বোট্টল, পোলিথিন বেগ হেন্না হেন্না চায়খৎলকপা অসিনি।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমদি দেসামগী থৌমীশিংগা লোয়ননা প্লাষ্টিক দ্রাইভ চথদুনা ফাগৎখিবদি লৈখ্রে। মাইক্রোন ৫০দগী তাবা প্লাষ্টিক বেগ শীজিন্নবা থিংবগী থবক্তি কুইরে হৌখিবা। মীয়াম্না নম্ফুন্দা শীজিন্নবগী ৱানি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহারাষ্ট্র, দিল্লি, পঞ্জাব, রাজস্থান, হিমাচল প্রদেশ, গোৱা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নবা থিংখিবা কুইরবনি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি ঐখোয় পূন্নমকসু য়াওশিন্দুনা পোৎ চৈ লৈবা চৎপদা পাইতুখাউপুদুনা পোৎ চৈ হাপ্লকপগী চৎনবনি অদু অমুক হঞ্জিনবা হৌবগা লোয়ননা লূ-নানবরোমদা মায়কৈ ওল্লসি হায়নীংই।

ফিদা কনবা অমসুং ফিদা মুন্নবা - ৪

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৱাং

মিনি ইন্দিয়া হায়না খঙনরিবা মণিপুরগী খুন্নাই অসিদা ঐখোয়না থেংনরিবসি মখল মখা য়ামই। ফিদা কনবা অমসুং মুন্নবা হায়বসি মরু ওইনা চীংমীগী মরক্তা অমা, তম্মীগী মরক্তা অনী থোক্না খায়দোক্লগা শল্লপ্পা থমজগে। চীংমীগা তম্মীগা য়েৎননিংঙাই ওইবা মরম থোইনা লৈতে হায়না থমজগে। খুদম, চীংমীগীদমক্তদি কন্সটিট্যুসন্না চৈঙাক পীদুনা লৈবনা চীংমীগী ফিদা অদুম কন্দুনা লৈজে, তম্মীনা নৎত্রগা অতৈনা মুনবা য়াবগী চিংননিঙাই লৈতে। মসি ময়েক শেংলবনি। অদুবু চীংমীগী তোঙানবা ফুরুপ ৩৩/৩৪ ষ্টেট লৈঙাক্না মশক খঙনা লৈরিবসিগী মনুংদা মখোয় মশেল ফিদা মুন্ননবা হোৎনদবনি। মসিদা অতোপ্পগা মরী লৈননা থোইনা খন্ননিংঙাই ওইদে। অদুম ওইনমক, চীংমীশিংগী খুন্নাইদা উবা ফংবা মরুওইবা মচৎ খরদি তমদা মরুওইনা লৈবা পাম্বা অশিংবা কাঙবু খরনা অপঙবগী মরল অশিংবনা চায় হায়নবগী মওংদা হৈনথোকই হায়নবা লৈবনা চীংদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী চাকথুং অমদি খুদোংচাবা কয়াগী ফিদা মাঙহনবিরগা ফিদা মুনবিখ্রে খনগদবগী ৱাফমনি। অতোপ্পা মরম অমনা, কাঙলুপ মচাশিংবু খূৎকন পাঙ্গনবা কাঙলুপ অচৌবা অমদা হেন্না কনখৎনবা ওনশিনহন্নবা হোৎনরকপদা কাঙলুপ মচা খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপসিনি। অকোনবগীসিনা তাক্লিবদি ফুরুপ মচানা মখোয় মশাগী ফিদা কন্নবা হোৎনবদা অতোপ্পা অকনবা অমনা ফিদা মুন্নবা হোৎনবনি। অপান্নবা ফুরুপকী মমিং মথাদি পঞ্জররোই। ফুরুপশিংনা মখোয় মশাগী ওইনা অনৌবা চহী কুমজাগী তোঙান তোঙানবা লাইনীং লাইশোন অমদি মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা মতুং ইন্না হরাউ কুম্মৈ (ফেষ্টিবেল) চাং নায়না পাঙথোক্লরিবসিনা তাক্লিবদি মখোয় মশাগী ফুরুপকী ফিদা অদুম কন্দুনা থমজনীংই হায়বসিনি। মসি ফত্তবনি খক হায়রোই। শল্লপ্পা থমজরিবা ৱাফম অমদি অকক্লবা ফুরুপ্তুনা মশাগী ফুরুপকী চৎনবী (লাইনীং লাইশোন মান্নবা ওইরগা) মনাৎ ঙাক্তুনা লৈবসি ফিদা কনবনি। হৌরকলোনগী ফুরুপসু মান্নদবা লাইনীং লাইশোনসু মান্নদবা খরনা নম্ফুদা ফুরুপ তোঙান্না লৈরম্বদু মান্নবা ফুরুপ অমদা (ফুরুপ চাওখৎহন্নবা) লাইনীং লাইশোনসু ওন্থোকহল্লগা অমত্তা ওইনবা হোৎনরকপদা য়ারুরবদি ফুরুপ মচাশিংদুগী ফিদা অতোপ্পনা মুনবদা য়াখিবদগী ফিদা কনবা ঙমখিদবনি। চৎলিবা কুমজাসিগী ওক্টোবর মনুংসিদা তোঙান তোঙানবা চীংমীশিংনা মশা মশাগী মনাৎকী ওইবা ফেষ্টিবেলশিং পাঙথোক্লখিবগী পাউ কয়া লমদমসিদা ফোঙবা পাউচেশিংদা য়াওনখিবসিনা ময়েক শেংবা খুদমনি। খজিক্তং খন্ননীংঙাই ওইরিবদি মান্নদবা ফুরুপ-কাঙলুপশিংনা চোমলপ্পা/পূন্না খুন্দাবা মফমগী ওইবা অমগা অতোপ্পা মান্নদবা ফুরুপ অমগা লেংমান ইমান মান্নদবগুম তৌবনা অমগা অমগা লোল ফাওনবা ঙমদবা মতমদা মৈতৈলোল/হিন্দি/ইংলিস (লাইরিক হৈবশিংগী মরক্তা) শীজিন্নবা অসিনি। হৌরকলোন্দা ইমান মান্নরকই হায়না লৌনরম্বা য়াম্না নকশিন্ননা লৈরম্বদগী খঙলাপ লাপথোকহনখিবগী মরুওইবা মরমদি মপান লমদগী চঙশিল্লকপা হিন্দু লাইনীংগী অনেম অৱাং খায়বা, মাংই শেংই হায়দুনা মীগা মীগগী মরক্তা চৈখন চাওনা খায়বগী চৎনবীসিনা ওইহনখিবনি। অদুনা চীংমীগা তম্মীগা মান্নবা ফিদা কনমিন্নরম্বদগী অনীমক্কী ফিদা খায়বুং তান্নহল্লগা শুপচিন্না মুনবিখিবদগী ওইহল্লকখিবনি। মসিনি মরী লৈনবা চীংমী-তম্মীশিংনা খঙজিনগদবা ৱাফমদি।

তম্মীগী মতাংদদি লোলসু মান্নে, শকওং শাদাসু মান্নে, ইয়েকসু মান্নে। মান্নদবা মরুওইবা মরমদি লাইনীং-লাইশোনগা শাগোন্নবা চৎনবীদা খজিক্তং তোঙান্নবসিসু হৌরকলোন্দদি চহী কুমজা কয়া হায়বদি মৈতিংঙু কয়াগী সনা হাক্তক ফাওবদি হীরম খুদিংদা মান্নদুনা অমৎতা ওইনা লাক্লবা মতুংদা, কংলৈপাক্কী লমখৈ চাওথোকহন্নবা থৌওং কয়া চত্থবদগী মীতোপ খরা লানফম ওইনা ফাদুনা পুরক্লবা মতুংদা লমদমসিদা লৈফম পীরগা ইনাৎ মী ওইনা ওলহল্লগা লৈহল্লকখিবা, খাঙুথক্তা নোংচুপ লোমগী মীতোপ শম্না ময়াং হায়না খঙনরিবা হীরম খুদিংদা হায়বদি শক-চু, শকওং-শাদা, ইরোল-মীরোল, চাকচা-য়ুথক, ফিজেৎ-চাকচা, হৈনবী লিচৎ শাজৎ, লাইনীং, লাইশোন, খুন্নাইগী শেনমিৎলোন শুকমান মান্নদবসি মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না শিৎচিল্লকপা নোংলৈ নুংশিৎকুম্বা অমা শিৎচিল্লকখিবদা থিংগদবদা থিংহৌদবদগী ঙসিগী খুন্নাইদা চয়েৎনবা ফীভমসি ওইদুনা লৈরিবনি। মথায় থায়না খৃ: ৩৩দগী কংলৈপাক্কী পিবারেন লুচিংবা ওইনা পানবা হৌরকখিবা মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা মমাঙ মৈতিংঙু কাংবগী সনা হাক্তক্তগী লৌরূদ্রবসু লাইনীং লাইশোন অমত্তা ওইনা লাকপসি মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবদগী ৩৮শুবা মৈতিংঙু কিয়াম্বগী (খৃ: ১৪৬৭-১৫০৮) সনা হাক্তক্তা নোংচুপ লোমদগী ময়াং বামোনশিং, মতম অদুদা ভারত্তা মুগলশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলক্তুনা হিন্দুশিংবু য়াম্না থিনা ওৎ নৈবা অমদি লাইনীং লিচৎতা অয়েৎ অপন পীরকপদগী, মতমদুগী বামোনশিংনা মশাগী ফিদা কন্নিংবদগী মখোয়গী ফিদা মুসলমানশিংনা মুনবিখিগদৌবদগী কঞ্জনবা অমদি হিংবদা খুদোংচাগদবা/শাফগদবা মফমশিং থি হুমদুনা চেন্নবদা মৈতিংঙু কিয়াম্বগী সনা হাক্তক্তা মফম অসিদা য়ৌরকখিবনি। মতমদুদা মতুমচা অমত্তা য়াওদনা চেল্লক্লগা চংজফম লৌদুনা লৈবা য়াহনবিরবা মতুংদা লৈপাকসিগী চনু নিংঙোলশিং অমদি লোয়নরকপা লাইশিংগী য়েংলগা মখোয় মখোয়দা য়ূম্নাক থোনবিখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী য়ানশিন্নবা চাদা নাউদা লৈরিবসিনি।

মসিগী মতুংদগী মৈতিংঙু চরাইরোংবা (খৃ ১৬৯৭-০৯) না মোইরাং কোংয়াম্বগী কুম খৃ:১৭০৪গী শজিফুগী ৫নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা রাইবনমালি অচার্য্যাদগী নিমান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌরবা মতুং কুমজা ১৭০৭কী কালেনগী ১৯নি পানবা ইরাই নুমিৎতা কৃষ্ণগী কিয়োং/ফুরা লাইয়ুম শাদুনা কৃষ্ণবু লাৎপা হৌখিবদগী খরা হেন্না মীতোপ লাইনীংগী ফিদা কলহন্নবা ফিদা পীবা হৌখিবদগী মীতোপ্না ইরমদম লাইনীংগী ফিদা মুলহনবা হৌরক্লম্মী। মৈতিংঙু পামহৈবনা মৈতিংঙু (খৃ: ১৭০৯ গী থৱান থাগী ২৩নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মশাগী চহী ১৯ চঙলকপদা মৈতিংঙু পামহৈবা ফম্বাল তোংদুনা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইদ্রিঙৈ খৃ: ১৭০৩গী ফাইরেনগী নোংমা পানবদা অৱা নিংথৌ তেংদোই চেকোং লৈমাবা টানিনগানাউবনা মনাই ময়াং কোক অমসুং তুলাংবা অনীবু মৈতিংঙু পামহৈবগী মপা ইবুংঙো মৈতিংঙু চরাই রোংবগী মফমদা মৈতিংঙুগী মমোম ইবেম্মা অদুগা কোনুংদা থুংলরবদা ৱাফম অনীদা হায়বদি - অৱা নিংথৌনা লৌশিনখিবা মৈতৈগী লোইলম খুঙ্গং তরেৎপু মৈতিংঙু চরাইরোংবদা হল্লকপা অদুগা অনীশুবদনা, মমোম ইবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমলেন চকপা মখাওঙন্বীবু অৱাগী লৈমরেল ওইহনবদা য়ানরবা মতুংদা অৱা নিংথৌদা মমোম ইবেম্মা চকপা মখাওঙন্বীবু থাজদুনা লুহোংলম্মী। অদুবু মথক্তা হায়নদুনা য়ানখিবা ৱাফম অনীবু থবক ওইনা পাঙথোক্তবদগী মপাইবুংঙো চরাইরোংবনা অৱাগী মথক্তা লমন খুম্নবা মচা ইবুংঙো মৈতিংঙু পামহৈবদা শিন্নরম্বা নুমিৎ, থা, চহী অদু লৈপাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংদা হায়দুনা তান্নরবা মতুংদা লৈপাক মীয়াম্নসু অৱাগী মথক্তা লমন খুম্বদা য়ান্নদুনা ৱালেপ্পনরম্মী। মতাংসি ফাওবদা মৈতিংঙু পামহৈবনা কংলৈপাক্কী চৎন-কাঙলোন, মপা-মপুগী ফিদা খরগী মখৈ অদুম কন্নীংবগী ৱাখল্লোন লৈরম্বগী মমি তারি হায়বা য়াই। অদুবু কুমজা ১৭১৭কী ফাইরেন থাগী ২৩নি পানবা ইরাই নুমিৎতা শ্রী হট্ট নরসিংহ কিলাদগী থোক্লকপা শান্তিদাস গোসাই থেংনরুবদগী মৈতিংঙু পামহৈবা মশাগী ফিদা কনবা ঙমদবগী খোঙচৎ হৌরকখি। অৱাদা লান্তাবগী মতম ঙাইরিঙৈ চৈরক খৃ: ১৭১৭কী মেরা থাগী থাচিন্দা লৈপাক মীয়াম্বু লুচিংলগা মৈতিংঙু পামহৈবনা গুরু গোপালদাসকী মফমদগী নিমান্দি লাইনীংদা লাইমিং লৌবগা লোয়ননা মপাবুংগী গুরু বামোন রাইবন মালি অচার্য্যগী মচানুপা গঙ্গাধরদগী শাখ্যা লাইনীংদা লাইমিং অমুক লৌরম্মী। গুরু গঙ্গাধর অচার্য্যগী ইঙ্খোলদা মশানা কৃষ্ণগী থৌগল চৎচনবা কৃষ্ণগী লাইশঙ অমা কুমজা ১৭২২গী কালেন থাগী ৫ (মঙা) নি পানবা নিংথৌকাবদগী শাবা হৌবদু থৱান থাগী ২২ নি পানবা য়ূমশকৈশদা কৃষ্ণগী কিয়োং লাইশঙ শঙ্গারবা মতুংদগী মৈতৈগী হান্নদগী চারকপা ষণশা চাববু মাংই হায়না থিংবা হৌরকখি। উশিৎ থওইদবদগী চারুবশিং লৈপাক মীয়াম মমাঙদা খোঙ্গোইনদুনা ইকায়বা পীরমই। মথং মথং ওইনা য়ূমলক্তা ওক লোইবশিংবু মাংই হায়দুনা মৈতিংঙু পামহৈবনা খৃ: ১৭২৩গী থৱান থাদগী য়ূমলক্তা ওক লোইবা থিংবা হৌবদগী, মসিদা ইন্দবদু চৈরাক পীদুনা লোই থারম্মী। মৈতৈনা শা চাবা, লোইববু মাংই হায়না থিংবা হৌখিবদগী চিঞ্জাক তিন্নরম্বা, লাইনীং লাইশোন অমত্তা ওইরম্বা, লিচৎ তিন্নরম্বা চীংমী তম্মী অমত্তা ওইনা লৈরম্বসি নোংচুপলোমগী হিন্দু লাইনীংনা শিংচেপ থাজিন্দুনা লাপথোক্নহল্লকখি। মখোয় (মীতোপকী) লাইনীং লিচৎ অসিগী মরুম থুপ্না নোংমা নোংমগী মখোয়না ফিদা য়েলহৌমীদগী মুল্লগা অৱাংবা থাক্তা মখোয়গী ফিদা হৌজিক ফাওবদা কন্নবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা য়েলহৌমীগী ফিদা মুনবগী থৌদোক কয়া অমা লৈবদুদি ৱারেংসিগী কল্লিবা কলম পীকপনা পাক চাউনা থমজররোই। মহৌশাগী খোংচৎ হান্নগীদা অমুক হঞ্জিনবা য়াবনা হৌজিক্কী খুন্নাইদা শা-ষণ চাবা, ওক লোইবা, চীংমী তম্মী পোৎ লান্নদুনা তৎহল্লুরবা নুংশি লিপুন শাগৎপা য়াবা মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা কুম্মৈ ‘মেরা হৌচোংবা/হাওচোংবা/মেরা শনতুবা’ হন্দক কুমজা ২০১৭তগীদি ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্তুনা হান্নগী ফিদা কন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না শিনবিরকপা অফবা খোঙথাংনি লৌজে হায়জনীংই।